# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ কেতুকী

— ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার সিংহ —

***লাইরোলদগী*** লৈরক্লে হায়না থাজনবা পাম্বীশিংগী মনুংদা কেতুকী হায়রিবা পাম্বী অসিসু অমনি। ৱারী লাইরিকশিংগী মতুং ইন্না অসুম্না ইরি মদুদি - মা পার্বতি (Parvati) না গভবান শিবা (Lord Shiva) গী পূক্নিং শুমহৎনবগীদমক্তা কেতুকীগী লৈ অদু শমদা চিন্দুনা শীজিন্নৈ হায়না। মালেমগী ওইনা য়েংবদা কেতুকী পাম্বী অসিগী কাঙলুপ অসি মখল (Species) ৬০০ লোম লৈ হায়না পানরি অমসুং মদুগী মনুংদা মখল ৩০ দগী ৪০ রোমদি ইন্দিয়াদা হৌই হায়না পাউদম্লি। হায়রিবা মখলশিং অসিগী মনুংদা Fragrant Screw Pine হায়রিবা অসিনা থোইদোক্না মমিং চৎলি। Fragrant Screw Pine হায়রিবা কেতুকী অসি হীন্দিদা গগন ধুল (Gagan dhul) নৎত্রগা কেওরা (Keora) নৎত্রগা কেতকী (Ketaki) নৎত্রগা কেভরা (Kevara) নৎত্রগা তিকসনা গন্ধা (Tikshna-gandha) নৎত্রগা জাম্বুল (Jambul), বেঙ্গলিদা কেতকী (Ketaki), গুজরাতিদা কেতক (Ketak), মালায়ালমদা কাইনারি (Kainari), মরাথীদা কেগর (Kegad) নৎত্রগা কেভরা (Kevada), ওরিয়াদা কিয়া (Kia), সংস্কৃতা হনীলহা (Hanilha) নৎত্রগা জাম্বুল (Jambul) নৎত্রগা কেতকী (Ketaki) নৎত্রগা সুগাধিনি (Sugadhini), টামিলদা কেতকাই (Ketakai) নৎত্রগা তালাই (Talai), উর্দুদা জাম্বালা (Jambala) নৎত্রগা জাম্বুল (Jambul), বর্ম্মীজদা সাতথাপু (Tsatthapu), চাইনিজ (কেন্তোনিজ) দা লৌ দাও স্যু (Louh dau Syuh), চাইনিজ (মেন দারীন) দা জিয়া-বো-লু (Jia bo luo), ফ্রেন্সতা পন্দানো (Pandano), জপানিজদা অদান (Adan) নৎত্রগা তাকোনোকি (Takonoki), কোরিয়ানদা অদান (Adan), নাগাদা কোরোং (Korong), নেপালিদা ক্যুরা (Keura) নৎত্রগা তারিকা (Tarika), শ্রী লঙ্কাদা মুদুকেয়িয়া (Mudukeyiya) নৎত্রগা রেনা (Rena), থাইদা কারাকেত (Karaket), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মিংদা *পান দানস ওদোরেটিসিমস (Pandanus odoratissimus Linn.)* নৎত্রগা *পান্দানস ফেসিকুলারিস (P. fascicularis)* নৎত্রগা *পান্দানস ওদোরিফেরা (P. odorifera)* হায়না কৌই অমসুং পান্দানেসী (Pandanaceae) শাগৈগী মনুং চল্লি।



কেতুকী পাম্বীশিং অসি এসিয়াগী ট্রোপিকেলগী ওইবা মফমশিং, ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং পেসিফিক্কী লমদমশিংদা হৌবগী পাউদমশিং লৈ। ময়াম্না পাম্নরিবা মখলগী Fragrant Screw Pine হায়রিবা কেতুকী পাম্বী অসি ইন্দিয়াগী নোংপোক থংবা সমুদ্র খোংবানশিংদা মরু ওইনা হৌই। অখণ্ড অহৈ খরগী মতুং ইন্না কেতুকী পাম্বী অসি ইন্দিয়া অমসুং খা থংবা এসিয়াগী মফম খরদগী হৌরকখিবনি হায়না পাউদমলি। পাম্বী অসি নোংচুপ থংবা ইন্দিয়াগী সমুদ্র খোংবান অমসুং শ্রী লঙ্কাদসু অদুমক হৌবগী পাউদম লৈ। চাং খরদা কেতুকী পাম্বী অসি অৱাং নোংপোক ভারতকী মফমশিং, নেপালগী অনেম্বা মফমশিং অসিদা হৌই। পাম্বী অসি অন্ধ্র প্রদেশ অমসুং টামিল নাদুদসু হৌবগী পাউদম লৈ। কেতুকী পাম্বী অসি ওরিষা মরু ওইনা গনজাম দিষ্ট্রিক্তা (Ganjam district) য়াম্না পাক শন্না থানৈ। ইন্দিয়াগী ৱাংমদা কেতুকী পাম্বী অসি ফিলিপিন্স, ইন্দোনেসিয়া, অৱাং থংবা ওষ্ট্রেলিয়া, মাইক্রোনেসিয়া অমসুং পোলিনেসিয়াগী মফমশিংদা হৌবগী পাউদমশিং লৈ।





বিজ্ঞানগী পাউদমগী মতুং ইন্না কেতুকী পাম্বীগী লৈশিংদা (Inflorescence) কিউরা ওইল হায়দনা থাউ মখল অমা য়াওই। হায়রিবা থাউ অসি হাইড্রোদিসতিলেসনগী মতেংনা লৌথোকপা য়াই। হায়রিবা থাউ অসিদা য়াওবা মরু ওইবা মচলশিংদি ইথর চাদা ৩৭.৭, টর্পিন্স চাদা ১৮.৬, অলফা-টর্পিনিওল চাদা ৮.৩, ২-ফিনাইলইথাইল আলকোহল চাদা ৭.৫, বেঞ্জাইল বেনজোয়েট চাদা ১১, ভিরিদিন চাদা ৮.৮ অমসুং জর্মাক্রিন-বি চাদা ৮.৩ অসিনচিংবনি। কেতুকী পাম্বীগী মরাদা য়াওবা মরু ওইবা মচলশিংদি ফিসসিওন, সিরসিলিনিওল, এন-ট্রাইকোন্তানোল, বিতা-সিটোসটেরোল, কেম্ফোসটেরোল, দৌকাসটেরোল, পালমিটিক এসিদ, ষ্টেরিক এসিদশিং অসিনি। কেতুকীগী মহৈদা য়াওবা মচংশিংদি কার্বোহাইড্রেট চাদা ১.৭, প্রোতিন গ্রাম ১০০ দা মিলিগ্রাম ১.৩, ফেট গ্রাম ১০০ দা মিলিগ্রাম ০.৭, ফাইবর চাদা ৩.৫, কেলসিয়ম গ্রাম ১০০ দা মিলিগ্রাম ১৩৪, ফোসফোরস গ্রাম ১০০ দা মিলিগ্রাম ১০৮, আইরন গ্রাম ১০০ দা মিলিগ্রাম ৫.৭, থিয়ামিন গ্রাম ১০০ দা মিলিগ্রাম ০.০৪, ভিটামিন সি গ্রাম ১০০ দা মিলিগ্রাম ৫, বিটা-কেরোতিন অসিনচিংবনি। ভিটামিন সি, বি-১, বি-২, বি-৩ য়াওবনা মরম ওইরগা কেতুকীগী মহৈ অসি অহাওবা থক্লবা মহী অমা শেম্নৈ।

কেতুকী পাম্বীগী লৈ অসি মনম নুংশিবদা থোইদোক হেন্দোক্না মমিং চৎলি। কেতুকীগী লৈদগী লৌথোকপা থাউ অসি নাকোঙ চীকপা, কোক চীকপা, তাং চাওথোক্তুনা চীকপা-নাবা, কোক-ঙাওবা, খোঙ-খূৎ লৈথেক্তুনা তোংশা কায়বা, লাইকুপ থোকপা, হকচাং চোকথবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা অসিনচিংবদা য়াম্না কুইরবা মতমদগী হীদাক ওইনা শীজিন্নদুনা লাক্লি। মাইক্রোনেসিয়াগী লমদমগী মীওইশিংনা কেতুকীগী মহৈ অসি চীঞ্জাক অমা ওইনা চানৈ। মহৈদগী শেম্বা য়াম মখল অসি চান্ন-থক্লবা পোৎশক কয়ামরুম মরু ওইনা কেক অমসুং বিসকিট শাবদা শীজিন্নৈ। কেতুকী লাবগী লৈ অসি নুপী-নুপাগী ফম্বী ফগৎহনবা ঙস্বগী পাউদম লৈ। কেতুকীগী থাউ অসি মালেমগী খ্বাইদগী মমল তাঙবা মনম নুংশিবা পর্ফ্যুমশিং (Perfumes) শাবদা শীজিন্নৈ। মফম খরদদি কেতুকীগী মনা অসি ওক অমসুং শগোলগী শজিক অমা ওইনা পীজনৈ। কেতুকীগী মরা অসি ফিনুংগী লায়না শাইফিলিস (Syphilis) অসি লায়েংনবগী পাউদম লৈ। কেতুকীগী থাউ অসি মখল-মখা কয়াগী উনশাগী লায়নাশিংদা শীজিন্নৈ। কর্ণাটাকাদদি কেতুকী অসি জোন্দিস লায়েংদা শীজিন্নৈ। Dalton's Ascitic Lymphoma (DAL) হায়রিবা কেন্সর মখল অসিদা কেতুকী পাম্বী অসি ইথানোল হায়রিবা য়ু মখল অসিদা শুগাইরগা শেম্বা মহী অসিনা য়াম্না কান্নবগী পাউদম লৈ। কেতুকীগী লৈ অসি ঈশিংদা লোন্দুনা শেম্বা মহী অসি অচা-অথকশিংদা মনম নুংশিহন্নবা হাপ্পৈ। কেতুকীগী থাউ অসি অঙাং য়াং চীংবদসু (Convulsion) থোইদোক্না কান্নবগী পাউদম লৈ।

## জাতক্কী শৈরোল

মৈতৈলোন্দা ইথোকপা

: বি জয়ন্তকুমার শর্ম্মা



### য়ু থকপগী অমাঙবা

হিমালয়গী লমদমদা উপাল অম'ই কারক্তা,
ঈশিং খরা তুংলম্মী কুমগী নোংজু লাকপদা;
উহৈ ময়াম তাশিনবা ঈশিং অদু থক্লুবা,
উচেক-ৱায়া কয়ানি লৈমায়থক্তা তাখিবা।
'দুবু ঙাইহাক লৈরগা অদুম অমুক পাইখৎখি;
শুর কৌবা উরুপুরেন থৌদোক অসি উরকখি।
খজিক্তংবু  তংলুবা হাউর য়ুবু ওইরম্মী;
য়ু অদু লৌরগা লমদম থাপ্না পুরম্মী।
মতৌ লাংওন অসুম্না নিংথৌ, লম্বোই' কয়াবু,
মানা থকপা তম্বীখি মাঙখি লৈখা তানবু।
সাকা কৌবা লাইনীংথৌ মাঙবা তারে হায়দুনা,
ব্রাহ্মনবুদি শারগা খূত্তা চফু পায়দুনা,
মালংদবু লেপ্পগা 'চফু লৈয়ু' হায়খিবা;
"করি য়াওরি?" হংবদা অসিনিদো খুমখিনা,
'চফু 'সিগী মনুংদা পাপ্পু থন্না য়াওরিদো,
ঘী, থাউ, চুহীদি নত্তে খোইরেন-খোইহীদো।
থক্লুবদা মসিবু অন্ধকভেনু শাগৈনা,
তোর্ব্বান্দা তুমখিদো মশেল হাত্তোক্লদুনা।
থক্লুবদা মসিবু লুখাক কোমদা তাগনি;
পূম্নমক নম্বা পুখ্রিদা নকোক ফাওবা লুপকনি।
অরেম-অখাক থিদনা ফংলিমখৈ চানীংবা,
লৈয়ু নিংথৌ চফুসে য়ুবু থন্না য়াওরিবা।"
তারুবদা নিংথৌদো জ্ঞানবু তন্না তাখিদো;
সাকা কৌবা মপুগী ৱাঙম কোলোয় শকখিদো।
"মমা মপা কনানা হায়বিদবা হায়বিরে;
ইঞ্জরনি নয়াথং ফীগাউ শানা য়াজরে"।
মতুংদদি নিংথৌদো দান ধর্ম্ম তৌদুনা,
স্বগ'ই লম্বী তানখিদো য়ুবু থকপা থিংদুনা।

# এদিটরদা থারকপা চিঠি/ৱাকৎ/মীয়ামগী খোল্লাউ/পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ ....

## মথংগী মীহুৎনা কনা?

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**ফুরুপ** কয়ানা খুন্দাবা, সনা লৈবাক মণিপুরসি মতম অমদা নুংশি চান্ননা লৈমিনরক্লবা ফুরুপশিং ঙম্নমক মশা মশাগী ফুরুপ্না হেননবা হোৎনরকপদা অমনা হায়বা অমনা তাদবগী মতাং অমা লাকপগুম্বনি। তৌবগীবুদি মমা-মপা অনীগী মচা ফাওবা থাঙ পায়দুনা হাৎকনি-তুপকনি হায়দুনা অখাক-অরাও তৌনরবা অসিগুম্বা মতমসিদা ঐখোয়না তৌদৌরিবসিবু করিনো?

ঐখোয়না য়াম্না থৱায়-হকচাং য়াওনা খঞ্জবা মীহুৎশিংনা শেম্বা লৈঙাক্তা করিগীদমক পেন্দবনা লাঙ্গৌই চল্লিবা? মসিদা লান্দৌরিবসিবু মীচম মীয়ামলা নৎত্রগা লৈঙাক চুপ্পি পায়রিবশিংদরা? লৌখোদনা ভোটকী পৈশা! চাখোদনা ভোট ময়াগী চাক্লেন! শোয়রিবসি লৈঙাক্তা তাইনবগী মহুত্তা পৈশাগী মন্ত্রগা চাকলেনগী মন্ত্রগা অনীসিনা শোয়হনবনি হায়বদা পৈশা লৌরুরিবা পুক হুইত্রিমুক কংবা মখৈ নুমিদাং চরা হেনবা য়াবগী হিসাবতা ফুদ্রিট-ফুরবা, পূম্নমক অদুনা হৌজিক্তি করি থোক্লে। ৱারবসু ৱানা খাঙবা য়াবা খাঙলগা লাক্কদৌরিবা কুমজা ২০১৭ তা পাঙথোক্কদৌরিবা ১১ শুবা মণিপুর এসেমব্লি মীখলদা মুন্না খল্লগা ভোট পীবদা নঙোন্দা কনাগুম্বা অমতা খুবাক্না থারক্কদবা, থাঙনা থিল্লক্কদবা লৈররোই। কৈসু কিবা, মথিসু কিবা, মসিগী ৱাখলদা ভোট পীরবা লমদমসিগী খ্বাইদগী পঙবা মীচম মীয়ামশিংগী মনুংদা নহাকসু অমনি হায়না নশা নতোমতা খঙজবা য়ারে। থৌনা লৈয়ু। অপাম্বা অদুনা নঙগী মীহুৎ ওইনবা হোৎনবা শোয়দনমক্কী অফবা লৈঙাক লাক্তনিঙাই লৈরোই। ইচা ফত্তবা চাওবা ঙাইবা, ইৱা ফত্তবা শিবা ঙাইবা মসিগী থৌওংসিনা ১১ শুবা মণিপুর এসেমব্লি মীখলদদি ওইদনবা হৌজিক্তগী খুউ শেন্দুনা লৈবগী তঙাইফদবা ওইরবনি। গভর্ণমেন্টকী থবক তৌবনি হায়দুনা থবক তৌরগা চাং নাইনা তলব ফংদবা মসিনা মরম ওইরগা ৱাকৎ মীফম ফম্লকপা, মসিদা লানগদৌরিবসিবু কনানো? অশোয়বা কয়া লৈরকপনা ৱাথোক লাকপনি। য়ারিবমখৈ ৱাথোকসি লৈতনবা শিনবদা ঙমদবা হায়বা অসিদা শোয়দনা মশীং হন্থগদৌরিবনি। কুইরক্তুবনি মীখলগীদমক নাকপাক তানদুনা ইমু-নাইমু তানবগী, খৎন-চৈনবগী, নুংশিনদবগী নাকোং-শিংজা য়ৈবা থৌদোক ময়াম অমা থোক্কদবগী শেম শাদুনা লৈরবনি। পৈশা পায়বা, খূৎ কনবা, শঙ্গ লৈবা মহাক অদুনা নমদুনা ইশাগী কেন্দ্রদা ভোট কাখ্রবা ওইদৌরিবা ফীভম হৌজিক্তগী ৱাখলনা শাগৎপা য়ারবনি। অমা তৌরে পেন্দবগী ৱাকৎ, ৱাকৎতনা মশীং থিবদা শোয়দনমক্কী ৱাদুনা তোল্লগদবা পোক্লফম লমদম লমনুংশিসিদা মথোঙ হুকই হায়না হায়নগদৌরিবসিবু কদায়ৱাইদনো? ইম্ফালগী ময়োলদা ফাওবা নোং তাবদা মরুম কোনবী শাননবগী কোমকুৎ মচা মচা মশীং থিবা ঙমদনা লৈরক্লিবা, মসি ফাওবা মীচম মীয়ামগী ৱাকৎ লাক্লবা মতুংদা শেম্বা নৎতনা করিসু তৌরোইদৌরিবনি। ভোট ময়া নকশল্লক্লবনিনা শোয়রিবা ময়ামসি শোয়দনবা শিনবদা মন্ত্রনা কাম্বগুম থোক্কদৌরিবনি। এন্টি-দিফেক্সন লো, মসিদংগা লৈরমদ্রবা হোংদোক-হোংজিন তৌবা য়াদবনা খা চিক্তুনা খাঙবা মীচম মীয়ামগী মীহুৎ শোয়দনা য়াওরমদৌরিবনি। মীহুৎনি হায়না মপুন্সি চুপ্পা অদুমক লৈবদি য়াদবনিনা শোয়দনমক্কী ক্বা পাম্বী কাগদবা মীহুৎ কয়া অমা হৌজিক্তগী য়াওরবনি। মশা য়াওদবা, চুমদ্রিং হৌবা পাম্বী অমা হায়বা তারবদি ক্বা পাম্বীসু অমনি। ক্বা পাম্বী কাবগা লফু কাবগা পৈশাগী মমাই অনী শুবগুম ওইদৌরিবনি।

মীচম মীয়াম খুদিংমক ভোট লেপ্পদা য়াদবা লৈতে। অদুম্নদি ওইরবদা দিপোজিৎ মাঙগদবা মাঙলোইদবা, কাগদবা অহুমসি তঙাইফদনা মাঙজৌননা খন্থবগী তঙাইফদবা ওইরবনি। মথংগী লাক্কদৌরিবা লৈঙাকসি নংনবা 'পভা সেল' হায়রিবা পোৎশকসি মোরোক্না শেম্বা সেলসিদি মীত্তা অশাবা ফাওহনবতা নত্তনা হাকথি খলহনবনি। মীয়াম তানখায়বদা ইতৎ তত্তনা শীজিন্নরিবা টিয়ার গ্যাসকী মহুৎ শিনগদবগী থৌরাংদা লৈরবনি। চহী তরেৎ খুন্দারকপদা মোরোক মৈ থাদুনা মীচম মীয়াম কয়া অমা হাৎখিবা কাউবদি লায়রদুনা ঙসি ফাওবা নীংশিংদুনা লৈনরিবসিনি। পেন্দবনা মশীং য়ামদনা লৈতনবগীদমক মতাং মতম চারিঙৈসিদা করম্বনা ফগনি? করম্বনা মতাৎ তৌরিবনো? খন্থনবগী তঙাইফদবা ওইরবনি। মথংসু জে এ সি শেমদুনা বন্দ, জেনরেল ষ্ট্রাইক তৌদনবা হোৎনবা, ভোটসু মুন্না খল্লগা অপাম্বদা ভোট পীরবদি শোয়দনমক্কী অহোংবা অমা লাকপসু তন্বা ঙল্লোইদৌরিবনি।

*অদোমগী - হেমজিৎ ইরোম্বা*
*খুরাই লাইৱাংবা মমাঙ, ইম্ফাল*



মরোল থোকপা লাই



## নো হেলমেট, নো পেট্রোল

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**মোটোর** ভেহিকল এক্ট ১৯৮৮ কী সেক্সন ১২৯ গী প্রোভিজনগী মতুং ইন্না মণিপুরদা হেলমেট উপ্তুনা মখোঙ অনী পানবা গাড়ী থৌবশিংদা পেট্রোল পীদবগী চৎন-কাঙলোন অমা ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্টতা থা অসিদগী চৎননবা মণিপুর লৈঙাক্কী কম্মিস্নার ট্রান্সপোর্টনা নোটিশ অমা থোকখিবা অসি তাবদা য়াম্না নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি। লোয়ননা মখা তাবা দিষ্ট্রিক্তশিংদসু চৎনবা হৌগদৌরি। গাড়ি মচা থৌবশিংনা উপকদবা হেলমেটসিসু ক্বালিটি লৈবা বি আই এসনা শাবা ওইগদবনিসু হায়রি। মসিগী মতাংসিদনি খরা নুংঙাইতবা ফাওই। মরমদি মণিপুরদা মমিং চৎপা তোঙান তোঙানবা হেলমেটকী কম্পেনি ময়াম অমা লৈরি। মখোয়সু চৎনবা য়াওহন্নীংই।

লৈঙাক্না হেলমেট উপ্তুবা য়ারোই হায়রিবসি গাড়ী থৌরিবা অমদি তোংলিবশিংগীদমক্তা খুদোংথিবা থোক্লকপা য়াওবা মতমদা খ্বাইদগী মরু ওইরিবা পার্ট কোক শোক্তনবনি। খোঙদা, খূৎতা, হকচাংদা শোকপদি খরা ফৈ। কোক্তা শোকপা অসিদি খরা খুদোংথিনিংঙাইনি। এক্সিদেন্ট হায়বসি তম্বা ঙমদে অদুনা গাড়ী থৌরিবা অমদি তোংলিবা মীওইশিংনা করিগুম্বা এক্সিদেন্ট থোকপা মতমদা হেলমেট উপ্লবদি খরগীমখৈদি শাফবা ঙমগনি।

অরোইবদা থমজনিংলিবা ৱাফমদি মণিপুর লৈঙাক্কী কম্মিস্নর ট্রান্সপোর্টনা ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্টতা থোকখিবা নোটিশ নো হেলমেট, নো পেট্রোলগী ৱাহম্বোক্কী মমি চাউনা তাবা উদে। মীওই খরনা হেলমেট উপ্পী অদুগা মীওই খরনা উপ্তে। লোয়েননা পেট্রোল পম্পশিংদা থাউ হানবা লাক্লিবা মীওইশিংসু অয়াম্বনা হেলমেট উপ্লগা পেট্রোল হানবা উদে। ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্টকী মফম খরদা ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টকী থৌমীশিংনা গাড়ী থৌবদা হেলমেট উপ্তুবশিং ফাবগী থবক চথুরি। মসি অফবা খোঙথাংনি। মরম অদুনা গাড়ী থৌরিবা অমদি তোংলিবা মীওইশিংনা মণিপুর লৈঙাক্কী কম্মিস্নর ট্রান্সপোর্টনা থোকখিবা নোটিশ অদুগী ৱাহম্বোক লৈনা থবক তৌবিয়ু হায়জনীংই।

*অদোমগী - থোকচোম থম্বালঅঙৌ সিংহ*
*খাঙবোক ময়ায় লৈকায়*

## ইংলিস লোলগী মরুমদা মণিপুর

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**হৌজিক্কী** মতমদা ইংলিস লোল হৈত্রবদি মিং তাংবগা পাংখক ওইরক্লি। হৌজিক ঐখোয়না নুংতিগী শীজিন্নরিবা পোৎ-চৈ হায়বদি চানবা-থক্লবা, হীদাক-লাংথক অমদি অতৈ-অতৈ অয়াম্বা পোৎ-চৈশিংদুগী শীজিন্নফম, কানবা কয়াগী মতাংদা ইংলিস লোলদা লোইনা ইরে। হায়রিবা পোৎ-চৈশিংসিগী মরোল মরীসি মণিপুরী লোলদা অয়াম্বা ইবা নৎতবনিনা ইংলিস লোলসি খঙদবা হৈতবা য়াদবা লোল অমা ওইরক্লে। ঐখোয় হৌজিক্তি মণিপুরদা ইন্দষ্ট্রি অমদি ফেক্টরিশিং মরাং কায়না লৈতবনিনা ঐখোয় ইশা ইশানা অনৌবা পোৎ-চৈ শাবা ঙমদে। মপান লমগী পোৎ-চৈনা অয়াম্বনি। মরম অদুনা মণিপুরদা লৈরিবা মীপুম খুদিংনা ইংলিস হৈবা মথৌ তাই। অসিদসু নত্তনা কনাগুম্বা ফোরেনের অমগা ৱারী ৱাতাই শান্নবদা ঐখোয়গী ইমালোল মণিপুরীনা ঙাঙবা য়ারক্তে অমদি লম অমদগী লম অমা চৎপদসু ঐখোয়গী লোল অসিনা য়ারক্তে। ইংলিস হায়বা লোল অসি খঙদ্রগদি ঐখোয়না খঙনীংলিবা, পাল্লিবা অদু ফংবা ৱাগনি। অমগা অমগা পাউ ফাওদোক ফাওজিন তৌবসি অসুক্কী মতিক তঙাইফদে। পাউবু ফাওনদ্রবদি করিনা করিনো হায়বা অদু খঙবা ঙমলরোই। মী অমগা অতোপ্পা মী অমগা চিন্দা ঙাঙনরগা পাউ ফাওদোক ফাওজিন তৌবা অদুখক্তনা কম্যুনিকেসন কৌদে। ঙাঙলগা খঙহনবগা (Verbal) ঙাঙদনা খঙহনবা (Non-Verbal) হায়বা অনী লৈ। পোৎ-চৈশিংগীদা সি তৌ, সি শীজিন্নৌ, মসিনা মসিনি তাক্লিবসিসু কম্যুনিকেসন অমনি । হৌজিক তম্লিবা লাইরিকশিংসি শুপ্নতগী Manipuri local dialects অমদি হীন্দি নত্তনা অতোপ্পা লাইরিক মখৈদি ইংলিস লোলদা ই। মণিপুরী মচাশিংনা য়াম্না তোয়না হায়নবা অমা লৈ 'লাইরিক হৈরগা লাইশু খঙদবা' মসি অতৈ নত্তে লাইরিক্তুদা ইরম্বা অদু খঙবা ৱাৎপদগীনি।

হৌজিক মণিপুরগী অয়াম্বা মহৈলোইশঙশিংদা মোরেল সাইন্স/মোরেল এদ্যুকেসন হায়বা লাইরিকশিং অয়াম্বা লৱার ক্লাসতগী তম্নরবনি। মসিগী লাইরিকসি তশেংনা লাইশু খঙনবা লাইরিকনি হায়বদি অফবা শাজৎ লমচৎশিংগী মতাংদা নৈনবা লাইরিক মখল অমনি। হায়রিবা লাইরিকসি ইংলিস লোলদা ই। মরম অদুনা কনাগুম্বা মহৈরোয় অদুনা ইংলিস মমুৎ তানা খঙবা ঙমদ্রিমখৈ 'লাইশু' খঙবদা খরা ৱাগনি। অদুনা লাইরিক হৈরগা লাইশু খঙদবা হায়বা অসি 'লাইরিক পাবা য়ৌদবা লাইশু ৱাৎপা' হায়না শেমদোকপা য়াব্রা খল্লি। মরম অদুনা পীক্লিঙৈদগী হৌনা ইংলিস লোলগী ৱাহম্বোক মমুৎ তানা ফজনা খঙদবা তঙাইফদে।

অমরোমদা, য়াম্না শোয়থরক্লিবা অমনা ঐখোয়গী মিং, ফিজেৎ-চাকচা অসিনি। ঐখোয় মণিপুরীশিং মণিপুর মচানি হায়বা হেক হেক কাউথোকপগুম তৌই। অহল-লমনশিংনা অঙাং অমগী মমিং থোনবদা ঐখোয়গী মণিপুরীগী মিং থোনবসি অসুক্কী মতিক অশোয়রি। খুদম ওইনা কনাগুম্বা মণিপুরী মচা অমা মীরমগী মমিং থোনবিরবা মতুংদা মহাক্না মীরমদুদা মশক নাইবা মীওই অমা ওইদুনা অফবা থবক কয়ামরুম তৌরক্লবা কান্দা মণিপুরী মচা অদুদা ফোরেন মচা অমনা নঙগী মিং করি কৌই হায়না হংলকপদা মাগী মিংদু মীরমগী মমিং ওইরম্বা তারবদি মণিপুরী মচা অদু অতোপ্পা লমগী মী ওইরবোই খনখিবগা লোয়ননা ঐখোয়নসু মহাক্কীদমক চাওথোকচবা ফংলরোই। অদুনা অহানবদা ঐখোয়গী লৈবাক মণিপুরসি কনগে হায়রবদি মীরমগী মিং থোনবা অসি খুদক্তা লেপকদবনি। অদুগা মণিপুরী হায়বা সবজেক্ট অসি ক্লাস নাইনদগী ওপসনেল সবজেক্ট ওইনা লৌবা হৌবীগদবনি। য়ারিবমখৈ ক্লাস টুয়েল্ব ফাওবদি অলটর্নেটিব ইংলিস লৌরোইদবনি।

অরোইবদা ঐনা হায়জনীংবদি ঐখোয়না খল্লিবা ময়াম অসি মালেম শিনবা থুংনা খঙহনগে হায়রবদি ইংলিস লোলদা ইরগা খঙহনবা তাই। তৌইগুম্বসুং ঐখোয়গী নাৎকী মিং, লমচৎ-শাজৎ, ফিজেৎ-চাকচাদি হোংবা য়াদে।

*অদোমগী - অঙানবা তোংব্রম, অখাম ময়ায় লৈকায়*